অচুম্বসিবু লৈরিবরা - ২৮০

- ডা. এল শশীকুমার, য়ুরেম্বম -

ইন্দিয়াগী পোলিটিক্সসি ফগৎলকপগী মহুত্তা নোংম-নোংমগী মরাই চাইথরকপগুম মীয়াম্না লৌনরক্লে। লমদমসিদা অচুম্বসি লুপা, পৈশা, শঙ্গ-পঙ্গনা খুদুম চনশিল্লক্লে। মসিমক লমদমসিগী মীয়াম্না হীরম খুদিংমক্তা নোংম-নোংমগী খঙনরক্লে। ইন্দিয়াগী মনুংদা ঙসি ফাওবা চথরকখিবা থৌদোক-ৱাথোকশিংনা চেনবা য়াদনা শকখঙনরক্লে। পোলিটিসিয়ন, পোলিটিকেল পার্টি খুদিংমক হেন্না খন্থবা মতম ওইরক্লে। দেমোক্রেসিগী শক্তমসু থাজ-থাজদ্রবা হীরম কয়াদা মীয়ামগী অনীংবশিংগী মায়োক্তা থবক ওইনা পায়খৎলক্লবরা। মরম অদুনা পোলিটিকেল পার্টি খুদিংমক মশা মশাগী খুদোংচাবা য়েংদুনা অচুম্বগী মায়োক্তা লেপ্তুনা চথরকপগুম মীয়াম্না লৌনরকপা হেনগৎলকই। পোলিটিক্সসি লৈবাক মীয়ামগী মরক্তা খ্বাইদগী চাউরবা শেন্দানফম ওন্থোক্লে। মরম অদুনা শেঞ্জাও পায়বা অরানবা থবক তৌবশিংনা লৈঙাক্কী থবক্তা য়াওশিল্লকপা থবক ওইনা ময়েক শেংনা শাফোঙলক্লে।

মতম শাংনা লৈরম্বা কোংগ্রেসকী শুপ্নম লৈঙাক্তগী বি জে পিনা মুনখ্রে। মতম কুইনদগী খোঙফম শেমদুনা লৈরক্লবা বি জে পিসু ইন্দিয়াগী লৈঙাক পায়রকপা অসি অরাইবদি নত্তে। বি জে পিসু লৈঙাক পায়রকপগা ঙমজবী থাদুনা মপান থোংদা অচুম্বা, অশেংবা মালহন্দুনা থবক পায়খৎলকই। মসিমক ঙসি ফাওবদা মীৎমাংদা পাউদমফম য়াওদনা খঙনরক্লে। ইন্দিয়াগী পোলিটিক্সসি মাঙলোমদা চৎখৎলিবরা, চাওখৎ খোঙথাংদা হেনগৎলকপরা হায়বসি পোলিটিক্সপু শিনফম ওইনা থবক তৌবিরিবশিংনা হেন্না হেন্না খন্থবগী মতম হেনজিল্লক্লে। তশেংনমক পোলিটিকেল পার্টিশিংসি অচুম্বগী মহুত্তা হেক ঙন্বমখৈ ওইজনামলোমদা হেন্না খূৎমাং য়াঙনা চঙশিল্লবরা? মতম শাংনা নমশিন্দুনা লৈরক্লবা কেস কয়া পায়খৎলকপা য়াওরক্লে। ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী অৱাংবা থাক্কী ফমজাও পায়বশিংসু মতম মতমগী লৈঙাক পায়বশিংনা হাপ্পা ঙাক্তনি। লৈঙাক পায়বশিংনা পুনিং-পুনিংবা মায়কৈদা পুবা হায়বসি থবক্লা মীৎমাংদা খঙনরবা ঙাক্তনি। দেমোক্রেসিগী শক্তমসিবু চুন্নিবরা? দেমোক্রেসি হায়বসি মশীং য়াম্বনা খুদুম চন্নবনি। অদুবু মসিমক থবক ওইনা পাঙথোক্লিবরা? ৱাহংদি মশীং খঙদনা লৈরি। অচুম্বগী শক্তমশিংবু চৎন-কাঙলোন চুম্না পায়খৎলিবরা? ঐখোয়গী পোলিটিক্সসিবু চুন্নিবরা? দেমোক্রেসিবু তৌনীং-তৌনীংবা য়াবা দেমোক্রেসিরা? ৱাহংদি মশীং খঙদনা লৈরে। পাউখুম পীবিনবদি কনানো? দেমোক্রেসিসি ৱারক্কী তয়াল ওইরবরা? দেমোক্রেসিনা অচুম্বসি মাঙহনগদৌরিবরা? লায়রবগী থাক ৱাংখৎলি, ইনাকখুনবগী থাকসু ৱাংখৎলি, মসিসু দেমোক্রেসিগী পান্দম অমরা? মরম অমরোমদা হন্দক্কী বি জে পিগী অওনবা, অহোংবা মশক খরদি থবক্লা উৎখ্রে। ২২ কাবা বি জে পিনা ২৮ কাবা কোংগ্রেসপু নাথৈরগা নমদুনা লৈঙাক শেমখিবসু অওনবা অহোংবনি। মসি দেমোক্রেসিগী অহোংবা মশক অমনি। ২৮ কাবা কোংগ্রেস মতমদুদা তূমিন লৈখিবসিসু ওন্থোক্লা ৱাহন্থোক লৈনা মীয়াম্না লৌনদবদি নত্তে। মসিগী মথক্তা কোংগ্রেসকী টিকেটতা কারক্লগা চহী অনীগী মথক্তা মিনিষ্টর ফম পায়রম্বা অওনবা নত্তে করম্না হায়রুগনি। মতম অদুদা কোংগ্রেস করি তৌদুনা লৈখিবনো? ৱাহংসিদি মণিপুরগী পোলিটিক্সকী অশোনবনি হায়দবা ঙল্লোই। মরম অদুনা পোলিটিক্সসি ঐখোয়গী অশোনবনি হায়দবসু য়ারোই। মতম শাংনা মিনিষ্টর ফাওবা ওইরম্বদু অহোংবা অমনি। মসিগী মথক্তা এম এল এ ১২বুসু পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরিগী ফম শীন্নরম্বগী ৱাথোক লাকখিবা অসিসু অঙকপা অহোংবা অমা নত্তে হায়দবা য়াররোই। হন্দক্কী বি জে পিগী লৈঙাক অসিমক মণিপুরগী ওইনদি অওনবা অহোংবনি। পোলিটিক্সসি কুইর-কুইরগা ফগৎলকপগী মথক্তা নম্ফু খরসু থবক ওইনা থেংনরকপা অওনবা অমনি। বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা চীং-তম অনীগী মরী ফগৎহল্লে হায়বসিসু ৱাহন্থোক কয়া থোক্লা লৌনরক্লি। মতম শাংনা লৈঙাক পায়রম্বা কোংগ্রেসকী মতমদা অমুক্তা তাদবা ৱাফম খরসু পুথোরকপা চীংদা চৎলু, খুঙ্গংদা চৎলু হায়বসি তাবদা অওনবা অমনি। চীংদা চৎলু, খুঙ্গংদা চৎলু হায়বসি কোংগ্রেসকী মতমদা তানরমদে অদুবু হন্দক্কী লৈঙাক অসিদা ফজনা তানরে। মসিগী ৱাহন্থোকসু মীয়াম্না খঙনরমগনি। করম্বা চীংগী মফমদা অওনবা লাকখ্রবগে? খুঙ্গংগী করম্বা খুঙ্গংদা অওনবা পুরকখ্রবগে? খুঙ্গংগী মফম খুদিংদা লৈরম্বা লমলেম, লমহাং পূম্নমক লৈশিল্লক্তরে। লম্বী-থোং, ঈথৈ-লৌখোং ঙম্নমক ফুমজিন্দুনা খোপচিন্নখ্রে। মসিদা বি জে পিনা করম্বা খুঙ্গংগী করম্বা মফমদা তকথোকখ্রবগে? মতম খরগী তুংদা লমলেম, লমহাং খোপচিন্নখিবশিংগী অৱাবা বি জে পিনা পুবা তাবরা? শাজিনখিবা, খোপচিনখিবশিং কৈদৌঙৈ খুঙ্গংদা চৎলগা এস দি সী, এস দি ওনচিংবা পুথরগা খোপচিনখিবশিং অদু ককথৎপা তারিবা?

পোলিটিকেল পার্টি পূম্নমক মীয়ামগী ৱাখল থাদোক্লদুনা মশা মশাগী খুদোংচাবা য়েংদুনা মীয়াম্বু মী ওইনা উরক্তবা নোংম-নোংমগী ঈশিং ঈচাওগুম হেনগৎলকই। থম্মোয় শেংনা থবক তৌজবা পোলিটিকেল পার্টিশিংদি মীখলদা কৈদৌনুংদা মায় পাকপা ঙম্নদ্রে। অরানবা থবক তৌবা, ময়াই কাবা চিঞ্জাক লল্লোনবশিংনা হেন্না হেন্না মায় পাক্লকপা, পোলিটিক্সকী কাঙলোন খঙদবশিংনা মতম মতমগী লাইরিক লাইশু খঙ-হৈরবশিংগী মথক্তা অখঙবা শারকপা মীয়াম্না ঙসিদি ৱাখল তানরক্লে। হন্দক্কী বি জে পি লৈঙাক মতমদা মীয়ামগী খোল্লাউ ওইনা দ্রগকী ৱাথোক, য়ুগী ৱাথোক নোংমগী লেপ্তুনা ফাগৎনরক্তুনা মণিপুর মীয়ামগী মমাঙদা ফোংনা লাউনরকপা তরাইবা নত্তে। ঙসিদি বি জে পিনা লাউরম্বা দ্রগকী ৱাথোক কয়াদা লৈবাক পুঙজাও থিন্না খঙনখ্রবা মীশক অমবু মরাল লৈতে হায়না থাদোকখিবগী ঈৱাং মরক্তা মণিপুর পুলিসকী মখূত্তগী নান্থোকখ্রে হায়বসিসু অনৌবা অওনবা শক্তম অমা নত্তে হায়দবা য়াররোই। মতম মতমগী অহোংবা কয়া লেপ্তুনা লাকই। লেপ্তুনা থোরকহনবসিসু লৈঙাক অসিগী অঙকপা অহোংবা অমা নত্তে করম্না হায়রুগনি। মপূং ওইনা মণিপুর লৈঙাক্লা ঙমদবা করিসু লৈফম থোক্তে। অদুবু ঙসি মথি ফোংনরক্লিবসি লৈঙাকসিগী অচুম্বা খোঙথাংলা? ঐখোয়গী মণিপুরসি ইন্দিয়াগী মনুংদা হীরম খুদিংমক্তা তোপ-তোপ্পা মশক নাইরবা কেস কয়া থাজদনা থোরক্কনি। মরমদি লমদমসিদা লৈঙাক পায়রিবশিংনা থম্মোয় শেংদ্রবদি থাজ-থাজদ্রবা ৱাথোক মশীং খঙদনা লাক্কনি। ৱাথোক য়াম্না থোরক্লিমখৈ লৈঙাক্কী মমিং চৎলি। মীংচৎ পাম্বা লৈঙাকনি হায়বসিদি মীয়াম্না খঙনরবনি। মসিগী মথক্তা মণিপুরদা বি জে পিগী মকোক থোংবনা লাওরম্বা থবকশিং করিসু পাঙথোকপা ঙমদে। মসিমক মীয়াম পারা অমদি ফজনা ফানরে।

মপূং ওইনা ইলেক্সনগী কেস মশীং খঙদনা লৈরি, চহী মরি মপূং ফারক্লে। ঙসি ফাওবা কেস অমত্তা লোইশিন্দনা মশাগী টর্ম লোইশিনখিগদৌরি। লৈঙাক্কী আইনসিবু লৈঙাক পায়রিবশিংনা লমদমসিদা তৌনীং-তৌনীংবা তৌরবরা? লৈঙাক পুরম্বশিংনা তৌনীং-তৌনীং তৌরম্বদগী কোংগ্রেস লৈঙাক ইন্দিয়াদগী মুৎখিবনি হায়বসি বি জে পিসু খঙনা খঙনা শক্তি কা হেন্না শীজিন্নরবরা? ঐখোয়গী ইন্দিয়াগী পোলিটিক্সসিদি অতোংবদা লৈথোনবা, অকুৎপদা লৈতৌবা হায়বদু হেন্না হেন্না ময়েক শেংলকই। লৈঙাক পায়বদা য়াওশিনবা হায়বসি পুৱারীগী পারা অমনি। মরম অদুনা মরাল য়াম্না লৈবশিং লৈঙাক পায়বদা চঙনরকপদগী অচুম্বসি লৈশিল্লক্তবনি। ঙসিগী লৈঙাকসিদি অচুম্বসি পুংমুৎ মুৎখিবা য়াবা তাঞ্জা য়ৌরক্লে। মতমসিদা অচুম্বগীদমক, অশেংবগীদমক কখোকপা ঙম্বা মীগী মশীং শুকলৈমক লৈত্রবরা? ইন্দিয়াগী মনুংদা লৈরিবা খুদিংমক কখোকপগী গুন চেনবা, অচুম্বগীদমক থম্মোয় শেংবা, মীশক খরদি থোরক্তুনা মীয়ামগী পুন্সি কনবা মতম ওইদ্রিবরা। মীয়াম পূল্লসি, অপূনবগী জয় লৌমীন্নরসি। মীয়াম পূল্লবদা ঙমলোইদবা লৈতে। মণিপুরদা অনৌবা অহোংবা শক্তম অমগীদমক থম্মোয় শেংবা, কখোকপা ঙম্বা মীশক খরদি পূল্লসি। ●

এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

পোইরৈ মৈতৈ লৈবাক মণিপুরগী সী এম অমদি এদ্যুকেসন মিনিষ্টরদা হায়জবা

ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,

ঙসি পোইরৈ মৈতৈ লৈবাক কংলৈপাক্কী মপু ওইবীরিবা ইকায়খুম্নবদা মতিক চারবা সী এম, এন বিরেন অমদি এদ্যুকেসন মিনিষ্টর এস রাজেন অনীগী মফমদা নোল্লুক্লা করিগুম্বা ৱাহৈ খরদং ফোঙদোকচরি। মদুদি হৌজিক তম্মীবা লাইরিক অসি শোয়রে। মরম অসিনা মহৈরোয়শিংগী মপা অমা ওইবগী অপাম্বা অনীংবা ৱাহৈ খরদং ফোঙদোকচরি। হৌজিক তম্লিবা লাইরিক খুতম অসিদি ইচা-ইশুশিং অসি পুন্সি মাঙনবনি। নম্বর য়াম্না ফংনবা ৱাহং (ক্রেসন) তম্লগা চাংয়েং পরিক্ষাদা মকোক তারবসু করি কান্নগনি? মরমদি ঙসি ইচা ইশুশিং অসি নোংম-নোংমগী লমচৎ থৌগল্লোন, থকসি-খাসি য়াওদরে, ইনাৎকী চৎনরোল করি অমত্তা খঙলক্ত্রে, মমা-মপা মশক খঙলক্ত্রে, ওজা-গুরু মশক খঙলক্ত্রে, মচিন-মনাও, মচে-মচন মশক খঙলক্ত্রে। লাইরিক তম্বগী করি কান্নরি, মমা-মপা ৱানবনি। পোইরৈ মৈতৈ লৈবাক্তি লৈখা তানা মাঙলবা লৈবাকনি, চহী অনী/অহুম শুরফাওবা লৈখা তানা মাঙলবা ঐখোয়সে কদায় য়ৌনা মাঙলবগে হায়বা ইশানা ইশাবু খঙজদ্রে। অমুক্তা খ্বাই তরানা মুন্না খন্থদুনা য়েংবীয়ু। পূম্নমক অসি ফনবা মথং-মনাও নাইনা ঐনা খঞ্জবা শৈথমজরক্নে।

১) অহানবদা ইকায়খুম্নজরিবা সী এম, এন বিরেন্না মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী, মহৈরোয়শিংগী শঙলেন শানবা লমলেন ৱাখদা উরেপ-উয়ুং তম্বীখিবা অদু তুংগী য়েংবীদুনা মতিক চানা য়াম্না থুনা শাবীয়ু। মরমদি মৈতৈ ইনাৎ লাইরিক্কী শঙলেন লৈরবা মতমদা মৈতৈ ইনুং ঙালক্কদবনে। অদুগা ঈনাৎকী হৌরক্লোন লাইরিক অদু তমহনবীয়ু, মদু তম্লগা ইমা লৈবাকপু মশক খঙলক্কদবনে। করম্বা লাইরিকনো হায়বদা ঈনাৎকী লোলকৈরোল ৱাংঙুরোল ৱাহন্থোক শুনা য়াওরবা চীংঙু লাই হরাওরোল উমং লাই হরাওবা, চীংঙু খোংনাংথাবনচিংবা মাইচৌ ‘পু’ তরেৎকী ৱারী, থাঙ-তা অসিগী হৌরকলোন ৱারীগা কোন্ননা তমহনবীয়ু।

২) অনীশুবদা ঐনা ৱাকৎচনীংবা, থমজনীংবা ৱাফমদি, মহৈ লোইশঙশিংগী স্কুলগী ক্লাস ৱান্দগী এম এ ফাওবগী ওজা লৌবীবদা, ওজা হায়রিবা অসি করিনো মশক মুন্না খঙবীবা ওজা লৌবীয়ু। মরমদি ঙসি মৈতৈ লৈবাক্তা লৈরিবা স্কুলশিং অসিদগী শিবা-নাবা য়াবা ৱাথোক কয়া লাক্লিবা, মীশি মীনা থোক্লিবা অসিদগী ঙাকথোক্লবনি। ওজা হায়বদি মৈতৈ ঐখোয়গী লোলদা ‘মরু’ হায়না কৌএ। ওজাগী মতিক মগুনদি য়াম্না চাওএ, মাগুম্বা লৈতে। ক্লাস ৱান্দগী হেক তম্বীবদগী ক্লাস বি এ, এম এ, লো কোলেজ তম্বা ফাওবদা মহৈরোয়শিংবু হেক মশক উবদা মহৈরোয় অসিদি মসিনি হায়না লোইনা মুন্না খঙবা অদুগুম্বা মী অদুবু ওজা হায়না কৌএ। মসিবু মৈতৈ ঐখোয়গী ইরোলদা মরু হায়না কৌএ। অদুনা ওজাগী মতিক ময়াইদি শৈথাবগী লোইবা নাইদেএ। মালেম তাইবঙপালসে মাগী ৱারী ঙাক্তনে। মসি খঙলবা মতমদা মৈতৈ ইরৈপাকসে লোইনা য়াইফরক্কদবনে।

৩) অহুমশুবদা ঐনা ৱাকৎচনীংবা, থমজনীংবা ৱাফমদি, ঙসি মৈতৈ লৈবাক্তা লৈরিবা অইবা-অইবীশিং, ওজাশিং অসিগী পুল্লপ পূনফম, মায়কৈ মরিদগী লাক্লগা লুপ্তিন্নবা য়াবা, ইম্ফালগী ময়োলদা লাইরিক্কী শঙলেন অমত্তং য়াম্না থুনা থম্বীয়ু হায়জরি। মসিনা কান্নবদি শিংথাবগী লোইবা নাইরোইএ। হয়েং অইবা-অইবী ময়াম্না লাইরিক্কী ‘ৱা’ ঙাঙনরকপা মতমদা অচুম-অরান, অফ-ফত্ত লোইনা খঙবীগনিএ। শম্না হায়রবদা ‘লাইরিক’ হায়রিবসি করি হায়রিনো? মমিংনা করি কৌই? মসিগী ৱারীদা তাবদা মৈতৈ লৈবাক্কী য়াইফবা শোয়দনা পুরক্কনিএ।

৪) লাইরিক্কী খন্নরোল ৱারীদি চহী কয়া খন্নবগী লোইবা নাইরোইএ। লাইরিক হায়বা অসি করিনো খঙননবা ইকায়খুম্নবদা মতিক চারবা সী এম বিরেন অমদি এদ্যুকেসন মিনিষ্টর এস রাজেন্না, পোইরৈ মৈতৈ লৈবাক্তা লৈরিবা শিন্তাক পুরেল মাইচৌ-মাইনৌ অখঙ অহৈশিংবু লাইরিক্কী শঙলেন লূপতিন্নফমদা লোইনা কৌখত্তুনা খন্ন-নৈনহনবীও। খন্ন-নৈনবা অসিদা মৈতৈ লৈবাক্কী লৈঙাক মপুরেল ওইবীরিবা, চূপ্পি পায়বীরিবা সী এম, মিনিষ্টরদগী এম এল এ হুম্ফুনা য়াওবীদুনা অমুক্তা পাইমা পূক্লিং খোয়চংনা তাবীও। মতমদুদা লাইরিক হায়বা অসি মসি ওইরেকো খঙবীগনি। অসিগুম্বা খন্ন-নৈনবা অসি তাবীরবা মতমদা ঐগী ইশাগী ঐনা শোয়খিবা লানখিবা পূম্নমক লোইনা খঙলক্কনিএ। মরমদি মীওইবা মী অমগী মমলদি মানা ঙাঙথোরকপা ৱাঙাঙদগী মাগী মতিক মগুন লোইনা খঙবা ঙমএ। ঙসি মালেমদা লৈরিবা মীশিংসিনা তৌরিবা অফ-ফত্ত, অচুম-অরান অশোয়বা লোইনা খঙলক্কনিএ। অদুগা তাইবঙ মীশিং অসি লম্বী চৎপা হৈরবরা হৈত্রিবরা খঙলক্কনিএ অসিগুম্বা অচুম্বা লাইরিক্কী মতিক ময়াইগী ৱারীদি তুংগী চারোল শুরোল ইচা ইশুশিংনা খঙজনবা ফিল্ম ওইনা নমদুনা য়েংনীংবা কান্দা য়েংনবা থম্বীয়ু।

৫) মথংদা ঐনা ৱাকৎচনীংবা, থমজনীংবা ৱাফমদি থাঙ-তা অসি স্কুল স্কুলশিংদা তমহনবীয়ু। ৱাফমসি চহী কুমজা মঙা/তরুক্কী মমাঙদা কয়ারক ফোঙদোকচখ্রবনি পাউচেদা। ৱাফমসি কনানসু তাবীদে, থওইবীদে, হৌজিক্তা খজিক-খজিক মনিল নায়রক্লে। থাঙ-তা তম্বগী কান্নবদি হৌজিক হৌজিক মালেমদা ৱাথোক ওইরিবা, মৈতৈ লৈবাক্তা লৈরিবা ইচা ইশুশিং নুপী ওইবী, অঙাং নুবী করিসু খঙজদ্রিবশিংদা মীওৎ মীনৈ তৌদুনা হাৎতোকপীরিবা অসি য়াম্না থুনা ফনবনি। মৈতৈ ঐখোয়গী থাঙ-তাসু মালেমগী লৈবাক লৈবাক্তা তম্নরিবা কুংফু, কেরেট, করাটিনা করিসু হেন্দে। শোয়দবা ৱানে খঙবীও। মরু ওইনা হান্না তম্বীগদবদি নুজা ওইবী নুপীমচাশিংনি। মরমদি মশানা মশাবু ঙাকথোকচনবা, মতৌ অসুম্না থাঙ-তা তম্লগা হৈরবা মতুংদদি মৈতৈ লৈবাক্কী তুংগী চারোল শুরোলদদি শোয়দনা য়াইফরক্কনিএ। মালেমদা মৈতৈ লৈবাক ইরৈবাকপু হেন্না মশক তাক্লক্কনি খঙলক্কনিএ।

৬) অরোইবদা ঐনা থমজনীংবা, ৱাকৎচনীংবা ৱাফমদি থাঙ-তা অসিগী ওজা, তম্বীগদবা ‘মরু’ অসিনি। মরমদি হান্না লৈরম্বা লৈবাক্লা শকখঙনবা অহৈবা ওজা গুরুশিং, শিন্তাক পুরেল, পাংঙম্বম তরংগো, থৌচোম বোরাজাও, লৈতাম্থেম হেরামোৎ, গৌরকেশ্বর শর্ম্মা, কোংখাম কুমার অসিনচিংবা কয়া অমা লোইনা থুপখ্রে। ওজা গুরুশিং অসিদি মী তরা/কুনগা লম্বা পান্নবদা করিসু লৈতনা খনবা ঙাক্তনি। অসিগুম্বা ওজাশিংদি হেক য়েংবদা থাঙ-তাগী মহৈরোয়শিং অসি কয়াম হৈরবগে হায়বা হেক্তা খঙবা ঙম্মী। অদুনা হয়েং মীরৈবাক্তগী মীতোপ মীশিংনা থাঙ-তা তম্বা লাকপদা ঐখোয়গী থাঙ-তা অসিদি করিসু লৈতে খন্দনবা, থাঙ-তাগী হৌরক্লোন ৱারী মুন্না খঙবা, থাঙ-তাগী মমিং করি কৌই খঙবা, শরিৎ-শরাৎ ফজনা হৈবা থাঙলোনগী মতিক ময়াই মুন্না খঙবা হৈবা, তাগী খৌশারোন শুনা খঙবা মীনা তুংগী চারোল শুরোলগী অকায়বা লাক্লরোইদবা অদুম লেঙদনা লৈহৌনবা অখঙবনা ওজা ওইহনবনা ফগদ্রা খঞ্জে। মতাং অসিদা ঐনা খঞ্জবদি হৌজিক ৱাখগী ওজা ইবুংঙো নোদিয়া, ওজা আর কে অচৌবীসনা, ওক্রম ওজা মংলেম, ওজা ধবল্লো, ওজা ইনাও ময়ামশিং অসিগা খন্নবীরগা থাঙ-তাগী ওজাশিং য়াম্না থুনা হাপ্পীনবা নোল্লুক্লা নীংশিংজরি।

অদোমগী - সোইবম গুনিন্দ্রো, উচেক্লোন কোংবা ক্ষেত্রি লৈকায়

IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, III MANIPUR

Ref :- Mutation Case No. 4/AS & SO-(III)A/2021

Diphang Limbu S/o (L) Deepak Limbu of Mantripukhri Kalibari A.T. Line - Petitioner

-Vrs-

Late Roma Rani Subba D/o Late Anturam Limbu of Mantripukhri - O.P.

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**

Date 11/03/2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না খঙহঞ্জরি। মদুদি খুল নং 8-Mantripukhri গী পাট্টা অরিবা নং 189 অনৌবা পাট্টা নং 11/756 দাগ নং 87 এরিয়া .10 চাওবা ইংখোলগী লম অসি পিটিস্নরনা মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা নামা ওনশিনবীয়ু হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মসিদা ইংখোলগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউচে ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেনা ওবজেক্সন তৌরবা য়াগনি। নৎত্রবদি য়ারে হায়না লৌদুনা নামা ওনখ্রগনি। তুংদা লাকপা ওবজেক্সন কোর্ট অসিনা অমুক তাররোই।

Sd/- Assistant Survey & Settlement Officer-III
Manipur

HL-P/9283/12

IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, THOUBAL GOVERNMENT OF MANIPUR

Ref :- Mutation Case No. 198/AS & SO/TBL Date. 11/03/2021

Hijam Sobha Singh S/o (L) Thoiba Singh of Athokpam Awang Leikai. -Applicant

-Vrs-

Co-Pattadar No. 2 : (Late) Pattadar Hijam Thoiba Singh S/o (L) Mani Singh of Athokpam Awang Leikai. -O.P.P.

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**

Dt. 11/03/2021

Under Section 46(3) MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি তহশিল থৌবাল খুন: নং. ৩২-অথোকপম পাট্টা নং ৬৬৯ (অরিবা) পাট্টা নং ৮৬৪ (অনৌবা) দাগ নং ৩২৭৫ এরিয়া .১২০০ হেক্টর চাওবা ইংখোল অসিদা নামা পাল্লিবা কো: পাট্টাদার নং ২শুবা হিজম থোইবা সিংহ মৃ: ওইখ্রে। মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা মহাক্কী মচানুপা হিজম সোভা সিংহগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা মথক্কী উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা (ওবজেক্সন) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা মথক্কী উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থাদুনা য়েৎলবা য়াগনি নৎত্রবদি হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথরগনি। মতুংদা লাকপা আপতি কোর্ট অসিনা লৌরোই।

Sd/- M. Ningthembi Singh
Assistant Survey & Settlement Officer,
Thoubal, Govt. of Manipur

HL-P/9282/12

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST (NORTH) SEKMAI

Ref. Mutation Case No. 231/SDC/IW(N)Sekmai of 2021 Dt. 08/03/2021

Ahongshangbam Mandakini Devi, W/o. A. Pholen Singh of Uripok Achom Leikai - Petitioner

-Vrs-

Late Ahongshangbam Pholen Singh, S/o. Pishak Singh of Uripok Achom Leikai - Pattadar

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**

Sekmai the 11/03/2021

Under Section 46(3) MLR & LR, Act 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি Imphal West Tashil Village No. 29-Maharabi Under Patta No. 204 (Old) 169/342 (New) Covered by C.S. Dag No. 92/531 গী area .2938 acres চাওবা ইংখোল/ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারী অসিনা নামা পানবীরো হায়দুনা SDC, Sekmai গী Court তা application থারক্লে অমদি লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা SDC, Sekmai গী কোর্টতা য়েৎলবা য়াগনি, মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই কেস মখা চথজখ্রনি।

***Sd/-* Sub-Deputy Collector,**
Imphal West (North) Sekmai

HL-P/9279/12

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST (NORTH) SEKMAI

Ref. Mutation Case No. 230/SDC/IW(N)Sekmai of 2021 Dt. 08/03/2021

Ahongshangbam Mandakini Devi, W/o. A. Pholen Singh of Uripok Achom Leikai - Petitioner

-Vrs-

Late Ahongshangbam Pholen Singh, S/o. Pishak Singh of Uripok Achom Leikai - Pattadar

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**

Sekmai the 11/03/2021

Under Section 46(3) MLR & LR, Act 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি Imphal West Tashil Village No. 29-Maharabi Under Patta No. 204 (Old) 338/339 (New) Covered by C.S. Dag No. 92/528 গী area .2938 acres চাওবা ইংখোল/ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারী অসিনা নামা পানবীরো হায়দুনা SDC, Sekmai গী Court তা application থারক্লে অমদি লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা SDC, Sekmai গী কোর্টতা য়েৎলবা য়াগনি, মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই কেস মখা চথজখ্রনি।

***Sd/-* Sub-Deputy Collector,**
Imphal West (North) Sekmai

HL-P/9279/12

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, LILONG CHAJING, IMPHAL WEST

Ref :- Mutation Case No. 65/SDC/IW/LC of 2021

Sharungbam Yaima Singh, S/o. (L) Amujao Singh of Haoreibi Mayai Leikai - Petitioner

-Vrs-

Late, Sharungbam Amujao Singh, S/o. Mohon Singh of Haoreibi -O.P.

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**

Lilong Chajing the 9th Feb., 2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি এস: দি: সী: লিলোং চজিংগী মখাদা লৈবা খুল নং ৭২- হাওরৈবীগী অরিবা পাট্টা নং ১২৮ অনৌবা পাট্টা নং ৪০৯/৬৫০ দাগ নং ৩১৪/৮৩০ এরিয়া .৭২৫০০ একর চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার শারুংবম অমুজাও সিংহ পীং মোহোন সিংহ সাং হাওরৈবী অসি মৃ: ওইখ্রবা মরম্না মৃ: পাট্টাদারগী মমিংদা লৈরিবা লৌফম অসি মথক্তা পল্লিবা পিটিস্নরগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থাররে। মরম অদুনা লৌফম অসিগী মরীদা আপতি তৌনিংবা মরী লৈনবা মীওইশিংনা ‘নোটিশ’ অসিনা পাউচে অসিদা হাপ্পা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেনা উক্ত কোর্ট অসিদা আপতি তৌরদ্রগদি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ অমত্তা কোর্ট অসিনা লৌরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথরগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector,
Lilong Chajing, Imphal West

HL-P/9280/12

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR; YAIRIPOK

Ref. Mutation Case No. 126/SDC/YPK/2021 Dated 11/03/2021

Parties : S. Ningther, S/o. (Late) L. C. Ahong Tangkhul of Phungton - Petitioner

-Vrs-

(Late) L.C. Ahong Tangkhul, S/o. (L) Katonghong Tangkhul of Phungton -OPP.

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**

Yairipok the 11th March, 2021

Under Section 46(3) MLR & LR, Act 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি মথক্তা পল্লিবা পিটিস্নরনা য়াইরিপোক তহশিল খুল নং ১১৫-ককময়াই পাট্টা নং ২৪ অনৌবা দাগ নং ১০০৫ এরিয়া ৬২৮৮ হেক্তর ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার এল. সী. অহোং তাংখুল পীং মৃ: কাতোংহোং তাংখুল সাং ফুংতোন অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মিং ককথৎপীরগা মহাক্কী মচানুপা পিটিস্নরগী মিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থাররে। মরম অদুনা ফৌরেল লৌফম অসি নামা পানখিবদা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি নোটিশ অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অয়েৎ চে পীশিনবীগদবনি অমদি মশা হাজির তৌবীগদবনি। মসিগী মতুংদা লাকপা আপতি লৌররোই কেস মখা চথরগনি।

HL-P/9131/12 ***Sd/-* Sub-Deputy Collector : Yairipok**

ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE

Imphal, the 10th March, 2021

It is hereby notified to the general public that "Lingjelthoiba Finance" business office address at Nagamapal Lamabam Leikai, Imphal West District is obtaining/seeking Money Lenders license under the provision of Bombay Money Lender Act, 1946 as extended to Manipur.

Any objection to this regard may be sent/filed in writing to the office of the Registrar Money Lenders, Lamphelpat, Manipur within 3 (three) days from the date of publication of this notice.

Further, any claim / objection / suggestion is not entertained after completion of given days.

***Sd/-* N. Babina Devi**
Lingjelthoiba Finance
Nagamapal Lamabam Leikai, Imphal

HL-P/9263/12

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, HIYANGLAM

Ref :- Mutation Case No. 47/SDC/H Dt. 31/01/2021

Yumnam Lashamon Singh, S/o. (Late) Yumnam Theimu Singh of Wabagai Tera Urak -Petitoner

-Vrs-

(Late) Mayengbam Sanajaoba Singh, S/o. M. Angou Singh of Wabagai Tera Urak -Opp.

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**

Kakching, the 10th March, 2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি, মদুদি হিয়াংলম তহশিল খুল নং ৬৬-ৱাবগাই অনৌবা পাট্টা নং ৮৩৫, অরিবা পাট্টা নং ৪২০গী দার্গ নং ২২৮০ গী হেক্তর .১৯৩০ অমসুং হেক্তর .১৩৮০ পুন্না হেক্তর .৩৩১০ চাওবা ফৌরেল লৌফম অসি হৌখিবা চহী ২০গী মমাঙদগী দংকারীনা মপু ওইনা দখল তৌদুনা মহৈ চারিবা লৌফমনি, কুমজা ১৯৯৭কী হেক্তর সর্ভেদা লান্না ওন্নবদগী O.P.P. মিংদা নামা পানদুনা লৈরে। মরম অসিনা O.P.P. গী মিং কল্লগা দংকারীগী মিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লৌফম অসিগা মরী লৈননা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি নোটিশ অসিগা মরী লৈননা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎ ৭নিগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা ৱাকৎলবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই, কেস মখা চথজখ্রগনি।

HL-B/6848/12 **Sd/- Sub-Deputy Collector,** Hiyanglam

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।